# হান্নগী থাই পি এম য়িংলুক সিনাৱাত্রা চহী মঙা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে

বেঙ্কোক, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
থাইলেন্দগী সুপ্রীম কোর্টনা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু থৌশাদবগী মরাল লৈ হায়না লাউথোকখ্রে অমসুং চহী মঙা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। ৱায়েল অসি সিনাৱাত্রানা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেনখিবা থা অমগী মতুংদা মশা য়াওদনা পীখিবনি।

চেঙগী সবসিদি স্কিম অমগা মরী লৈননা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু য়িংলুকনদি য়াদ্রি। মীখলদা মায় পাক্তুনা শেমখিবা মহাক্কী গভর্নমেন্ট অদু হৌজিক কিংদম অদু কন্ট্রোল তৌরিবা আর্মি জেনরেলশিংনা কুমজা ২০১৪ দা চিংথুখি।



ৱায়েল অদু তশেংবদি হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা পীরমগদবনি তৌইগুম্বসুং য়িংলুক থোক্লক্তবদগী লৈবাক অসিবু অমসুং কোর্টতা পূনখিবা মহাক্কী সপোর্টর লীশিং কয়া থম্মোয় শোক্লখি।

মহাক্কী লোইয়রনা নাগী প্রোব্লেম অমা লৈবদগী মহাক কোর্টতা লাকপা ঙমদবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা ৱাফম অসি রিজেক্ট তৌখি অমসুং ৱায়েল অদু থিন্থুখি অমসুং তুংদা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইসূ তৌখি। জন্টাগী চীফ প্রায়ুথ চান-ওচানা বোর্দর চেকশিং কনখৎনবা ওর্দর তৌখি।

য়িংলুক হৌজিক চপ চানা কদায়দা লৈবগে হায়বা খঙনদ্রিবা ওইরবসু মহাক্কী ওপোজিসন পুআ থাই পার্টিনদি মহাক কম্বোদিয়াদা চেনখ্রে অমসুং সিঙ্গাপোর ফাওরগা দুবাইদা পাইখ্রে হায়খি। মহাক থাইলেন্দ থাদোক্তুনা চৎখিবদগী পব্লিক কম্মেন্ট অমৎতা ফোঙদোরক্ত্রি।

পুলিস ওফিসর কয়ানা মতেং পাংলম্বা য়াই হায়না থাজনরিবা মহাক্না নাম্থোকখিবগী ৱারীশিংনা লৈবাক অসিবু ঙকহনখি। মীওই খরনদি মহাক লন্দনদা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। লন্দনদা মহাক্কী ইমুংগী য়ুম অমা লৈ হায়রি।

মহাক্না নাম্থোকখিবদা শীজিন্নখিবনি হায়বা অশাবা নম্বর প্লেটশিং য়াওবা টোয়োটা কেমরি অমদগী ওথোরিটি-শিংনা ডি এন এ সেম্পলশিং লৌরি অমসুং থা অমগী মনুংদা রিজল্টস ফংলগনি হায়রি। মহাক্না চেনখিবদুদা য়ামদ্রবদা মান্নবা মচু ওইবা কার অনী শীজিন্নখি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থাজরি। কার অমদি মালহন্নবা শীজিন্নখিবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

ইষ্টর্ন থাইলেণ্ডদা থবক তৌখিবা পুলিস ওফিসর অমা য়াওনা সিনিয়র পুলিস ওফিসর অহুম ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাজিনখ্রে।

ৱায়েল লাউথোক্কদবা নোংমা ৱাংলিঙৈদা প্রায়ুথনা হায়খি মদুদি মহাক য়িংলুক কদাইদা চেনখিবগে হায়বা খঙই তৌইগুম্বসুং জজমেন্ট পীদ্রিবা ফাওবদি মহাক্না মফমদু হায়দোকখিরোই। 'ঐহাক্কী স্পাইশিং লৈ। সেপ্টেম্বর ২৭ কী মতুংদা মহাক কদাইদা লৈবগে হায়বদু ঐহাক্না নখোয়দা হায়রগনি হায়না মহাক্না চয়োলগী কেবিনেট মীফম অমা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মীওই কয়ানা য়িংলুককা মিলিটরি লীদর কয়াগা য়ানবা অমা পুরক্লম্বা য়াই হায়না চিংনরি। পোলিটিসিয়নশিংনা মপানদা লৈরগা জেলগী মতম নাম্থোকহনবা য়ারবসু মহাক্না থাইলেন্দ থাদোকখিবদগী লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মশক নাইবা ওপোজিসন ফিগর লৈহল্লরোই অমসুং মসিনা পাৱরদা ঙাওবা জেনরেলশিংদা মকোক য়াওদবা ওপোজিসন অমা শিন্নরবনি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা য়ু এন এস সীগী পর্মনেন্ট মেম্বর ওইবগী ৱাফম শৌগৎপা রিজোল্যুসন পুথোকখ্রে

*ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :*
*মালেমদা চাওখৎপা পুরকপদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাং শকখঙবগী মতম লাক্লে হায়রদুনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ইন্দিয়ানা পর্মনেন্ট মেম্বর ওইবগী ৱাফম শৌগৎপা রিজোল্যুসন অমা মশক নাইবা লোমেকর অনীনা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা পুথোকখ্রে।*

*হাউস ফোরন এফ্যের্স কম্মিটিগী ভাইস রেঙ্কিং মেম্বর কোংগ্রেসমেন অমি বেরা অমসুং কোংগ্রেস্মেল কোক্কস ওন ইন্দিয়া এন্দ ইন্দিয়ন অমেরিকান্সকী ফাউন্দর ফ্রেঙ্ক পেলননা পুথোকখিবা রিজোল্যুসন অদুনা ইন্দিয়ানা য়ু এন এস সীগী পর্মনেন্ট মেম্বর ওইনবা হোৎনরিবদু হাউসনা ওফিসল ওইনা শৌগৎহনগনি। রিজোল্যুসন অদু হৌজিক ওরিজিনেল কো-স্পোন্সর তরেৎ লৈ।*

*মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ডিমোক্রেসি ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা হীরম কয়াদা কম্মন ভেল্যুশিং অমসুং পার্টনরসিপ স্যের তৌমিন্নে, মরুওইনা ডিফেন্স কোওপরেসনদা লৈবাক অনীগী পার্টনরসিপ চাওখৎলক্লে হায়না বেরানা ফোঙদোকখি।*

*ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্ট্রেটিজিক পার্টনর অমা ওইনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি অমসুং লৈবাক অসি সাউথ এসিয়াগী মরা চেৎপা ফিভমগী য়ূম্বীনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মনেন্ট মেম্বর মঙানা চহী ৬০ গী মমাঙদা লৈখিবগুম্না হৌজিকসু মালেম্মু মহুৎ শিন্দুনা লৈরি। হৌজিক্তি মালেমদা চাওখৎপা অমসুং নুংঙাইবা হেনগৎহনবদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবগী মতমনি। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ইন্দিয়াগী পর্মনেন্ট সীট অমা ফংবনা মালেমদা ডিমোক্রেসি চেৎশিনহনগনি হায়না বেরানা ফোঙদোকখি।*

*মালেমগী মরীশিংগী ৱাহম্থোক নৌনা পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈ মতমসিদা ঐখোয়না মতম শাংনা লৈহৌরগদবা ঐখোয়গী কোর ভেল্যুশিংবু চপ মান্ননা ইকায়খুম্নরিবা লৈবাকশিংবু শকখঙবগা লোয়ননা পাৱর শিন্নগদবনি হায়না পেলননা হায়খি।*

# চহী ১ রোমগী মনুংদা রোহিংয়া লালহৌবশিংনা মীওই ১৬৩ হাৎখ্রে : ম্যান্মার



য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
ঈরাং লৈবা রখাইন ষ্টেটতা হৌখিবা চহী অমা হেনবা মতম অসিদা রোহিংয়া মুস্লিম লালহৌবশিংনা পাঙথোকখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৯১ না থিবা খঙখিদ্রে হায়না ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবদা অশিবা ময়ামগী মোংফম অহুমদা য়ামদ্রবদা হিন্দু ৪৫ গী অশিবা হকচাংশিং থেংনখিবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গভর্নমেন্টনা কম্মেন্টশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। মীহাৎশিংদুগা মরী লৈননা গভর্নমেন্টনা মুস্লিম লালহৌবশিংবু মরাল শীখি।

গভর্নমেন্টকী ইনফোর্মেসন কম্মিটিনা মসিগী ফেসবূক পেজদা ফোংখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, এটেকশিং অদুদা ওক্টোবর ২০১৬ তগী ওগষ্ট ২০১৭ ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৯ শিখ্রে অমসুং লোকেল ওফিসলশিং, পব্লিক সর্ভেন্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং য়াওনা মীওই ৩৭ থিবা খঙখিদ্রে।

অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (অর্সা) না ওগষ্ট ২৫ দা য়ামদ্রবদা পুলিস আউটপোষ্ট ৩০ দা এটেকশিং চথুখিবদগী অতোপ্পা মীওই ৮৪ সু শিখি অমসুং ৫৪ না থিবা খঙখিদ্রে। গভর্নমেন্টনা মমাঙদা ওগষ্ট ২৫ দগী লালহৌবা ৪০০ রোম হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

# য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি থুংখিবা মতুংদা কাবুল এয়রপোর্টতা রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
কাবুলগী ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা ঙসি লালহৌবশিংনা রোকেট তরুক কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রে হায়না অফঘান ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসনা অফঘান কেপিটেলদা ৱারী শাননবা পাইশিনখিবা মতুংদা এটেকশিং অদু পাঙথোরকখিবনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

টোলো ন্যুজগী পাউনা হায়খি কাবুল এয়রপোর্টতা ঙসি রোকেট ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা কাপশিল্লকখি অমসুং টালিবানননা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। অদুম ওইনমক রোইটর্জগী পাউনা অমুক ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদু ক্লেম তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

রোইটর্জনা আই এস আই এসকী ন্যুজ এজেন্সী অমাক পল্লদুনা হায়খি, এটেক অদুদা গ্রুপ অসিগী ইনফিলট্রেটরশিংনা এস জি জি - ৯ রোকেটশিং অমসুং মোর্টারশিং শীজিন্নখি।

টোলো ন্যুজগী মতুং ইন্না, এটেক অদু ঙসি অঙনবদা অফঘানিষ্টানদা থুংখিবা য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিসতা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবনি হায়না টালিবানননা ফোঙদোকখ্রে।

টোলোনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, রোকেট এটেক অদু অয়ুক পূং ১১.১৫ তাবদগী হৌখি অমসুং এটেক অদুগী মতুংদা এয়রপোর্টতুগী ফ্লাইট পূম্নমক কেন্সেল তৌখ্রে। মদুগী মমাঙদা, ন্যুজ এজেন্সীশিং - এ এফ পি অমসুং রোইটর্জনা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নজিব দেনিসনা পীবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মিসাইলশিং অদু এয়রপোর্ট অদুগী মিলিটরি সেক্সন মনাক্তা তাশিনখি, তৌইগুম্বসুং খুদক্কী ওইনা মীশি-মীনা থোকপগী নৎত্রগা এটেক অদুবু ক্লেম তৌরকখিবগী পাউদি লৈতে।

নাটোগী চীফ জেন্স ষ্টোল্টনবর্গকা লোয়নননা অফঘানিষ্টানদা লাকখিবা মাটিস হান্না লাউথোকপা তৌদনা কাবুল এয়রপোর্টতা থুংখি।

টোলোনা হায়খি মদুদি, মাটিস অমসুং ষ্টোল্টনবর্গনা অফঘানিষ্টানদা য়ু এসকী কম্মান্দর ওইনা লৈরিবা জেনরেল জোন নিকোলসনগা উনখি। তুংদা মাটিসনা অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিগা উনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মাটিস ইন্দিয়াদা লৈখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিটারামন অমসুং নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোভালগা উনখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘানিষ্টানদা অহেনবা ট্রুপশিং থারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা মাটিসনা অফঘানিষ্টানদা খোঙচৎ অসি চৎলিবনি। য়ু এস প্রসিদেন্টনা অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটিজি লাউথোকখিবা মতুংদা মাটিসনা য়ু এস প্রসিদেন্টকী কেবিনেটকী অফঘানিষ্টানদা চৎপা অহানবা মেম্বরনি।

কুমজা ২০১৪ লোইশিনবদা য়ু এসনা লূচিংবা নাটোগী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌখিবদগী মথি ফোংগৎলকখিবা টালিবানবু মায়থীবা পীনবা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কন্না হোৎনরিঙৈ মরক্তা মাঙজৌননা লাউথোকখিদবা অৱাংবা থাক্কী খোঙচৎ অসি চৎলিবনি।

নৌনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লবা মিলিটেন্টশিংনা অফঘানিষ্টানবু মীরৈবাক্কী ফোর্সশিংগী মোংফম অমা ওন্থোক্লগনি হায়না ৱাশকখি অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা শাথীরবা এটেক কয়া চথুখি।

# 'হফিজ সয়ীদ লৈহন্দনবা মতম খরা পীয়ু'

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
মুম্বাই টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ তৌখিবা হফিজ সয়ীদকুম্বা টেররিষ্ট-শিংগা মরী লৈননা ইস্লামাবাদপু মরাল শীফম থোক্তে হায়না পাকিষ্টাননা য়ু এসতা হায়খ্রে। চহী খরগী মমাঙদদি অসিগুম্বা মীওইশিং অসি ৱাশিংটননা য়াম্না য়াখি হায়রদুনা পাকিষ্টাননা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদা ন্যু য়োর্কতা এসিয়া সোসাইটি ফোরমদা ৱা ঙাঙলদুনা পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফনা হায়খি মদুদি, ইস্লামাবাদনা হক্কানি নেটৱার্ক লিংখৎলি লোয়ননা হফিজ সয়ীদ অমসুং মহাক্কী হান্নগী লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি) শৌগৎলি হায়বদা লাইনা থোকই।

'অসিগুম্বশিংসি পাকিষ্টাননা য়েংশিনফম থোকপশিংনি তৌইগুম্বসুং মখোয়সি য়েংশিনবদা নৎত্রগা লৈহন্দনবা তৌবদা ঐখোয়দা মতম খরদি পীয়ু মরমদি মখোয়বু থেংননবা এসেটশিং ঐখোয়দা লৈতে' হায়না এ পি পিনা অসিফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।



য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী ৭২ শুবা সেসনদা শরুক য়ারিবা অসিফনা মখা তারদুনা হায়খি, হকানি-শিংগীদমক ঐখোয়দা মরাল শীগনু নৎত্রগা হফিজ সয়ীদশিংগীদমক ঐখোয়দা মরাল শীগনু। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মমাঙদা নখোয়না য়াম্না পামজখিবনি। মখোয়বু হ্বাইট হাউসতা য়ু পীথকখি অমসুং মখোয়গীদমক্তা দিন্নর লাংখি অদুগা হৌজিক্না নখোয়না ঐখোয়দা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিবু য়োক-থাকই হায়দুনা কিহল্লক্লে।

হফিজ সয়ীদপু ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০৮ গী নভেম্বরদা মুম্বাইদা চথুখিবা টেররিষ্ট এটেক মাষ্টরমাইন্দ তৌখি হায়না মরাল শীরি। এটেক অদুদা ইন্দিয়ন অমসুং মীরৈবাক মচা ১৬৬ শিখি। ন্যু দিল্লিনা ইস্লামাবাদতা ক্রাইমশিংদুগীদমক্তা হফিজগী মথক্তা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না তকশিন্দুনা লাকখি।

No. 6/19/2017-RD(MC)/PMAY-G
## SECRETARIAT : RURAL DEVELOPMENT AND PANCHAYATI RAJ DEPARTMENT GOVERNMENT OF MANIPUR

## নোটিশ (খঙহঞ্জবা)

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর তাং ১৮, ২০১৭**

## প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা গ্রামিন (পি এম এ ৱাই - জি) খুঙ্গংশিংগী থৌবুরেল। গ্রাম পঞ্চায়েৎ/মীয়ামদা পীবা পাউজেল

(১) ভারত সরকারনা লাক্লিবা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়ুম-কৈ লৈজদবা মীপুম খুদিংগী য়ুম শানবা পান্দম থল্লি। হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১ দগী হান্না ইন্দিরা অৱাজ য়োজনা হায়না খঙনরম্বদু প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা-গ্রামিন হায়না খঙনরগনি।

(২) অনীশুবদা পি এম এ ৱাই-জি হায়রিবা স্কিম নত্রগা থৌরাং অসিগী মখাদা য়ুম শাজনবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবশিং অদু সোসিও-ইকনমি কাষ্ট সেন্সস-২০১১ গী মনুংদগী খনগনি। মশাগী য়ুম লৈজদবা নত্রগা য়ুম অমগী কা অমদা পূল্লগা লৈবা নত্রগা কা অমা অনীদা লৈবা য়ূমদা ইমুং মনুং লোইনা লৈমিন্নবা লোয়ননা য়ুমশিং অদুগী য়ুমথক অমদি ফক্লাং নিংথিনা খাদবা মীওইশিংগী য়ূমশিংসু কাষ্ট সেন্সসকী মতুং ইন্না ভারত লৈঙাক্না লেম্না য়ুম শাবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। অদুবু পুম্নমক অসি স্কিম অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্নদি পাঙথোক্কনি। লোয়ননা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদু মীশিং অদুগী ফিভম অমসুং অহান-অকোন নাইনা তৌগনি। গ্রাম-পঞ্চায়েট খুদিংমক্তা লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব, আদর্স অমসুং মাইনোরিটিশিংগী ওইনদি মখোয়গী তোঙানবা প্রাইওরিটি লিষ্ট অমা থমগনি।

(৩) অহুমশুবদা য়ুম শানবগীদমক্তা খনগৎলবা মীশিং অদুগী লিষ্ট অদু মরী লৈনবা গ্রাম পঞ্চায়েট, খুনগী থৌবুরেল নত্রগা খুল্লাকপদা য়েন্থোক্কনি। মসিগী মতুংদা গ্রাম সভা নত্রগা ভিলেজ ওথোরিটিগী মফমদা শিন্নদুনা অচুম চুমদা লেপথোক্কনি।

(৪) ভারত সরকারগী য়ুম লেম্না শানবগী থৌরাং অসিগী ই-পাউশিং অসি বি. দি. ও. শিংনা প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱা-তান্নরবা মতুংদা মীপুম শিন-থুংনা খঙনবা রেদিও, টিভি অমসুং খবর কাগজনচিংবদা ফোঙদোক্কদবনি। লোয়ননা য়ুম লৈজদবা মীশিং অদু মশক খঙদোক্লবগী থৌরাং অদুসু বি. দি. ও., প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিগী মীফমদা মপুং ফানা খন্নদুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। অকোনবদা য়ুম শাবীনবগী গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিনা মাগী মাগী এরিয়াদগী খনগৎলবা মীশিং অদু বি. দি. ও. না শিন্দুনা মমীং মথানচিংবা লিষ্ট অমা শেমদুনা নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা থেৎলগা থমগদবনি।

(৫) য়ুম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদুগী মতাংদা কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা বি. দি. ও. দা য়েৎপা য়াগনি। য়েৎলিবা নত্রগা ৱাকৎলক্লিবা অদু বি. দি. ও. না তারবা মতুংদা দি সিদা রিপোর্ট অমা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীশিনগনি। অপিলেট কম্মিটিগা মকোক ওইরিবা দি. সি. না ৱাকৎ অদু তারবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা ৱাকৎ অদুগী ৱারোইশিন পুরক্কনি।

(৬) করিগুম্বদা সোসিও-ইকনমি কাষ্ট সেন্সসকী মনুং চন্দবা অদুগা য়ুম-কৈদি লৈজদবা মীশিংনা পি এম এ ৱাই স্কিম অসিগী গাইদলাইন মখাদা অপিলেট কম্মিটিদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। অসিগুম্বা মখলগী পিটিসন অসি অপিলেট ওথোরিটিগী মকোক ওইরিবা দি সিনা গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিগী খুথাংদগী লৌশিনগনি। লোয়ননা মতৌ অসুম্না য়ুম শাবীনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অসি বি দি ও নত্রগা মরী লৈনবা ওফিসরনা হান্না য়েংশিনগনি। করিগুম্বা এস ই সি সিগী মনুং চন্দবা মীশিংনা য়ুম শাজগে হায়না থারক্লিবা দরখাষ্ট অদু চুম্লে হায়না অপিলেট ওথোরিটিনা খঙলবদি রুরেল দেবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়তি রাজ লোয়শঙদা পীখৎকদবনি।

(৭) তরেৎশুবদা য়ুম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদু স্কিম অসিগী মখাদা লাখ ১.৩০ ফংগনি। মসিগী মথক্তা লুপা লিশিং ১২,০০০ অমসুং শেল চঙদনা শাবা য়াবা অমাংশঙ অমা শানবা শেনফমসু এম জি এন আর জি এস স্কিমদগী ফংগনি। লোয়না লোয়ননা করিগুম্বা সরকারগী শেন্থং মখাদা লেম্না য়ুম শাবগী খুদোংচাবা ফংলিবা মী অদুনা মশানা য়ুম অদু শাজরবদি নুমিৎ ৯৫ গী চাংদা পারগা লুপা লিশিং ১৯,৩৮০/- অমসুং এম জি এন আর ই জি এস স্কিমদগী ফংগনি। মতৌ অসুম্না মী অদুনা মাগী য়ুম শানবগী সরকারদগী ফংগদৌরিবা অপুনবা শেনফম অসি মখাগী অসিনি Rs. 1.30 lakhs + Rs. 0.12 lakhs + Rs. 0.19380 lakhs = 1.61380 lakhs নি।

(৮) শেনফম (Rs. 1.30 lakhs) অসি Beneficiaries শিংদা মখাদা পীরিবা য়ুম শাবগী তাঙ্কক অসিগী মতুংইন্না থাদোকচগনি।

| সে: নং: | য়ুমগী তাঙ্কক | পৈশা থাদোকপগী তাঙ্কক | শেনফম |
|---|---|---|---|
| ১। | য়ুম Sanction তৌবা মতমদা | অহানবা তাঙ্কক | Rs. 48,000/- |
| ২। | Plinth Level লোইবগী তাঙ্কক | অনীশুবা তাঙ্কক | Rs. 42,000/- |
| ৩। | Lintel Level লোইবগী তাঙ্কক | অহুমশুবা তাঙ্কক | Rs. 40,000/- |
| | | অপুনবা - | Rs. 1,30,000/- |

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা শেনফম থাদোকত্রিঙৈগী মাংওইননা মরী লৈনবা Official শিংনা Guide-line গী মখাদা নিতি চুম্না য়েংশিল্লবা মতুংদা Direct Benefit Transfer (DBT) গী খুথাংদা থাদোক্কনি।

(৯) অমরোমদা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদু খঙ-হৈরবা অমসুং ট্রেনিং ফংলবা য়ুমশাবশিংগী লমজিং মখাদা শাগনি। লোয়ননা ডিষ্ট্রিক্টশিংদসু অহৈবা য়ুমশাবশিং অসি মতেং পাংহনগনি য়ুমশাবা ট্রেনিং তৌবগী থবক্লা ভারত সরকারনা শকখঙলবা এজেন্সিনা তৌগনি।

(১০) ৱাফম অমনা য়ুম লেম্না শানবা ভারত সরকারনা শেল পীথদ্রিঙৈগী মমাংদা মখোয়গী হান্নগী য়ুমশিং অমদি নৌনা সরকারগী শেন্থং মখাদা শাগদৌরিবা য়ুমফমশিং অদু জিওতেগ ফোটো লৌদুনা য়েংগনি। অমদি ভারত সরকারনা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদুগী শেনফমশিং খুদোংচাবা ফংলিবা মীশিং অদুগী বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিনগনি।

(১১) PMAY-G গী মখাদা চহি-চহিগী ওইনা চাওরাক্লা য়ুম কয়াম শাগনি হায়বা মখাদা পীজরি।

| চহি | ২০১৬-১৭ | ২০১৭-১৮ | ২০১৮-১৯ | ২০১৯-২০ দগী ২০২১-২২ |
|---|---|---|---|---|
| য়ুমশিং | ৯৭৪০ | ১৫৩৯৮ | ১৫৩৯৯ | ৯০০০ (চাওরাক্লা) |

(১২) য়ুম শাবদি য়ারবা অদুবু SECC-2011 গী List তদি য়াওদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা PMAY-G গী মখাদা য়ুম শানবা য়ানবগীদমক্তা Deputy Commissioner না মকোক ওইবা Appellate Committee গী মমাঙদা পুথোক্লবা DC নত্রগা মরী লৈনবা Authority শিংদা Beneficiary অমা ওইনবা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। Central Government কী মতিক চারবা Authority দগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অসি মথংগী চহীদা PMAY-G গী মখাদা য়ুম শাবা য়ারগনি।

Sd/-
**M. Kapajit Singh**
Under Secretary (RD&PR)
Government of Manipur)

**NO. 2/33/2015-DIPR (V-III)**

HL-B/4147/28